"মণিপুরগী সাহিত্যকারশিংনা হৌজিকমক কন্না পায়খৎকদবা থবক্তি মপান্দা য়েংবা। ... য়ূম্ফমদি মণিপুরনা ওইরবসু মপানগী সাহিত্যগী নুংঙৌতনা ঐখোয়না মণিপুরী সাহিত্যগী তাজমহল শাবা ঙমগনি। - *এলাংবম নীলকান্ত (অচাইবা লৈ)*

## শৈরেং

### মাঙখ্রবা থৌনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐগী মাঙখ্রবা
লিংজেল থৌনাদো
ঙসিদি য়াম্না ময়েক শেংনা
ঐগী ইমংদা লেপ্লরে।
অদুগা,
করিগীনো ঐনা অসুক
পাঙদ্রবা মীশক অমগুম
লীংজেল থৌনা অসি
পুথোক্তুনা লেপ্পা ঙমদ্রিবা।
অহিংবা থৱায়
তাইবঙ মীওইনা
করিগী ঐনা
পোৎলুম অসি থাংথবা ঙমদ্রিবা
নুংশিরুবা মাগী মফমদদি
ঐসে পাঙদ্রবা মীশক
হায়বদো ওইরে,
নুমিৎ খুদিং মাতবু
ঙাইজরকখিবদো ঙসিদি
মহাক্না মখোঙ থোঙনা
লাক্লবা অসিদদি
ঐগী লিংজেল থৌনা
পূন্নমক মাঙখ্রে।

### মৈচাক

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

নোংমদোল পক্লা পাইহিরবা
অমুবা লৈচিল মপৈ-ও
নীংঙাইদনা পাইদুনা নহাক্তি
নমিৎ পেন্না য়েংলিবরা
কোভিদকী চৈথেং নংলবা
তাইবঙ মীওইবগী মৈচাকসে;
নোংমগী অফংবা শূজরগা
চরা ইন্দাং থিজরিবা
লায়রবা ইমুং কয়াবু
য়োৎহীং পোলাং চনশিনবীদুনা
চাকহল্লিবা চাকখাউগী মৈচাকসে
য়েংহৈবা মতৌদি নৎত্রেনে;
অঙাং নাৱা খিবিকপু
মহৈ-মশীন তম্বসু ফংহন্দা
মশুং মমান্নবশিংগা লোয়ননা
চেন-চোঙদুনা শান্নজবসু য়াহন্দা
মসা ককথৎপীরবা, মখোঙ পুনশিনবীরবা
চেক্লা-চাগা পাঞ্জক ওইরবকো!
লৈজবা মরল-মথুম থাদদুনা
কুম্বী-কালেন খাক্তনা
লৌউ-শিংউ তৌজরকপা লৌমীশিং
ঙসিদি কোক্তা খূৎ হাপ্পরে
মহৈ চারমদাই মিৎকুপ্তা
লৌশিৎতা খাজনা থিবা তারবদা;
নিংঙোল মপোক্তা পোক্লুরবী
'মমা' হায়বা মিংথোল ফংগদৌরবী
কুমথা-কুমশিংনদি শুজিল্লক
নিংদোল পোম্নরি, করি থোক্লগবা!
পীবুক্লুংগী নাৱাগী তেংথাখোলসু
নিনবা হৌরক্লে তাইবঙ ফাওনা;
কোরোনা লানফমগী শক্লোন লৌখ্রবা
অনা লায়েংশঙশিং অদুদা
চৎশি কদাই চৎঙমদা
তুশোন মানশোল্লবা কয়ানা
মথম্মোয়দা খূৎতুম্না শুজদুনা
পুন্সিগী অরোইবা মিৎকুপ্তবু ঙাইজরি।

### থৱায়দুদা থৌগলজৈ

**—সেৱা নিমাই**

নুং-পান অনীদা ঈরোং ফাংনা চেন্দুনা
লৈতেংলিবা চরৈনি নুপীজা ওইবা মৈতৈগী ।
থৌরম খূদিং ফিহোংবা,ফিশক খায়না লৈতেংবা
লৈরিদরা অসুম্না মালেমগী অতৈ কৈদবু ?
নুজাগী ফিশেৎ উরগা,করি থৌগী খোঙদোইবা
লাইনা মশক তাকইদো ।
পুমঙৌ ফনেক, ইন্নফি; মকত্রবা পূক্লিং ৱাখলনা,
মকত্রবা ফিজেৎ লৈতেংজা, খোইয়ুমগী
থৌজাল নিজবা;
নুং-পাল অনীসে, অমকপা য়াওদে তাকচৈদো ॥

### পুবিরক্লি ঐখোয়বু

**—আর কে বুধিমন্ত**

ঐখোয়দি লোৎনা কিনা চঙলকপনি
কনামত্তা খঙহন্দা,
মীপূম খুদিং হরাওনখি
খুবাক খুদুনা ওকপীখি
কাংশি খিংদুনা লাংনখি
দিৱালিগী মতৌগুম
মৈরা কৎতুনা
য়ূমথোঙ খুদিং হরাও মথোই কাখিদো!
ইকায়বিরী ঐখোয়না
তৌহৈদবা থৌদোকনি
খঙলব্রা ঙসিদি
মীপূম খুদিং ৱাহল্লে,
লৌনহল্লে মথং-মথং
অচৌ-অপিক থিদনা
শেন্মীৎলোনসু শোকহল্লে
ঈশিং ঈচাও লাকপদা
ককচেংনা পরেং পরেং চৎপগুম
ময়ূম মায়কৈ পাংলক্লি;
পুবিরক্লি ঐখোয়বুসু
মথং-মথং খোঙ্গুল তারমদ্রিবা লমদমসিদা।

### শেকপীগী দোলাই

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

কুমজা লিশীং
কয়াগী নিংথৌনা
লৈমায় 'থক্তা কেনবা
শিঙ্গারৈগুম;
তিনখি উক্রোংগী
শেকপী শঙ্গুলক্তা।
লৈবাক্কী থৌগায়না লুল্লা?
তরেৎ শেঞ্জানা হেনব্রা?
- চাং ওনবা তাখি
অঙন্বা!
তানিংখিদে ইঙেল্লেগী
মপাও!
হাপখিদে নাপদা
লোক্তাক লৈমগী ৱাকৎ।
তোংনীংখি
তরেৎ শেঞ্জাগী দোলাই
দোলাইরেং শেকপী
শঙ্গু-শঙ্গুগা লোয়ননা।

### ঐগী পূক্লিংগী লৈকোলসিদা

**—মোইরাংথেম নাগিন্দ্রা**

মালেম পূম্বগী লৈকোলদা
কোয়না চৎতুনা য়েংলসু
উবা ফংলোই লৈরাংসে
অনী শুনা শাত্তবিনী
কনা খঙদা শাৎচবিনী
ঐগী পূক্লিংগী লৈকোলসিদা।
নাইতোম লৈশাৎ তমজবিনী
লৈহী চুপখিনী মিপাইদুনা
লৈনম য়েন্দে মালংদা
মতমগী খোইমু কিবনা
লৈশাৎ তল্লিবনি মথন্নতা
ঐগী পূক্লিংগী লৈকোলসিদা।

### মখোয়সু মীনি

**—রোমি তখেল্লম্বম**

মখোয়সু মীনি, থৱায় পানবা,
করিগী ইন্থোকপীরিবা, করিগী নাথৈবীরিবা,
মখোয়গী মরালনা করিনি হায়গদৌরিবা।
চঙজফম লৈত্রবা পুন্সি কয়াগী মপোক্লা,
পিক্লিবা মরাল লৈজদ্রবা মচাশিংগীদমক।
পুকচাক লানফম্না, শিবা চঙবগী লংদাইদা,
নৌ য়াওদনা হোনবা হিনাওগুম,
ঙসিগীনা করম্বা, উবীরমদবা ঙরাংগীদুগুম্বা।
ঈনা ঈশিং ওন্দ্রিফাও, ওৎপীরবা-নৈহৎপীরবা,
করাম চাউবশিংগী পেন্নবা...
কনাগীদমকনো থৱায়না-থৱায়বু ওৎলিবা।
মায়দা মকে-শেম, নোক্লিংদনা নোকফেৎ-তৌ,
অচৎ-অওক কয়াদা, মীৎচানরকপা ঙাই,
মীৎচি লাং থাক্তুনা, খোইরা-খপ ঙাইরিবা।
অউবা কয়ানা তিনশিৎনরি, হঙ্গোইনা,
ওইনীংখিবদি নত্তেদো, খোইদাখিবসু নত্তেদো,
ওইহলখিবনি লম্মখাঙদা, পুন্সি-খুদোল।
মীৎথক-ফাৎ, নুং লৈঙোই কোৎপবু,
হিংনীংদবা লেম্না, কনাদি লৈ, তাইবঙদা।
ঈজৎতা তেংবাঙনৈ, অতোঙবদা...
কনানা তেংবাঙবীখি, কনানা শোনবীখি-
নুংশিনা... মরাইবক থীরবী মখোয়দা।
অদুবু পুকচাক্কী লাংদা...
অরেম্বনি ঈজৎ, মখোয়গী পুন্সি।
ঈবুং-কৈরোই, ইপ্পা-লৈকায়
পলেম পন্থৌগী মশাইগোল,
নুংশিদা, ইপাম লমদম লল্লানবা।
কনানা-কনাগীদমক...কদাই ফাওবা?
উবীরিবা, য়েংবীরিবা...করম্বা মীৎয়েং?
করিগীদমক খুল্লিবা...মায়দা-মায়খুম?
তনৌরবী কয়াগী পুন্সিনা...কেকু।
ওইনীংখিবরা মখোয়, মায়খুম উপ্পি?
করিগী লেপ্পি...গল্লিগী চিদাইদা?
নুংদনা...খূত্তুম-শীঙ,
পেবেৎ মচা চাউবা ঙাইবগুম,
নুংহিক্লুরি থম্মোয়নুংদদি, পেবেৎ-মপি।

### তাংবল

**—রাজেন্দ্র তেনসুবা**

নিংথৌ শেম্নবগী
হঙোইশিং মীটিং তৌই
মীচং খোমনৈ
ঈশিং ঈনৌ তারকপদদি
চোংথনখি তাংবন্দগী লোইনা।

### চৎন-কাঙলোন ঙাকসি

**—জয় কুমার তখেল্লম্বম**

কোরোনাভাইরস নঙদি
য়াম্নসু হৈ-শিংই
মশক খঙদোকই মীওইববু
ইম্যুন সিষ্টম শোনবা
অঙাং নৱা, চহী ৬০গী মথক
নঙগী পামজবা হৈনবীনি
হার্ট, দাইবেটিস নাবনচিংবা
মাস্ক উপ্তবা, খূৎ-শা হামদবা
সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা
কোয়শেন শেন্নরি নঙনা
থৱায়শিংবু কোয়তান তান্নরি
অমুকসু কপনীংই, নোকনীংই
চিংনৈ ৱাহংদি হংনীংলি
তাইবঙ মপুনা থারক্লিব্রা নঙবু
পরা তম্বীনবা মীওইবদা
মালেমসিদা কল্লক-য়েংথীনবা কোক্লবা
হাৎনরি, শিনরি লেপ্তুনা
খূৎলায় লমজেল তান্নরি
খরমখৈদি খূৎ-শা তিংথোক্লরি
নঙগী মীহিংচাগী শাজৎতগী
নুংশিনবগী ঈচেলদি লাক্লি
কোরোনাভাইরস নঙবুদি
হাৎতবা য়াদে মীওইবনা
অঙৌবা চেবাংদা মুকতবনি
ইরি মালেমগী পাউচেশিংদা
নৈনরি টি ভি চেনেলশিংদা
ময়েক শেংলে ফেজ ১, ২দা
হাৎনবা নঙগী হুগী তেঞ্জৈ।

## ঐখোয় নোক্তবসি কুইরেদা

Laughter brings the focus away from anger, guilt, stress, and negative emotions in a more beneficial way than other mere distractions.









নোকপসি হিদাক্লি হায়। য়ামদ্রবদা নোংমদা মিনিট খরদি নোক্লবা হোৎনগদবনি। নোকপনা ব্লদ প্রেশর ৱাংবা অমদি প্রেশর অনেম্বা মীওই-শিংদা কান্নবা পী, পূক্লিং ৱাখল লাংতক্লবা অমদি অতৈ ৱাখল লায়না কয়াদগী কান্নবা ঙম্মী হায়না ষ্ট্রেস মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা চেফোঙশিংদা পল্লি। মসি কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরবশিংদা হীদাক মখল অমা ওইনসু শীজিন্নবা য়াব্রা হায়বগী চাংয়েং তৌবদা কান্নগনি।

করি তৌরগা নোক্কদগে হায়বসিসু অরুবা অমনি। মীগী পূক্তা, সেগ্রাক্তা,তিকি তিকি হোৎলগা নোকহনবদি য়ারোই। কুইনা নোকপসু য়ারোই,শাওনরক্কনি। চাউখৎপা লমদদি, নোকপগী ক্লব, নোকপগী যোগা শাজেল সেন্তরশিং (laughter club, laughter Yoga) হাংদোক্লখিবগী পাউ লৈ। য়ুনাইটেদ কিংদমদা অনোকপা যোগা অসি পাম্না শীজিন্নৈ। নোংমগী চারা অমা ফংনবা হোৎনবদা কোইচেন চেন্দুনা শুরি নোল্লিবা লমদমসিগী মীওইশিংদদি নোক্লিংবা চঙগদবা মান্দে। নোক্লবা ক্লব, নোক্লবা যোগা শান্নসি কৌরুবদা পাউখুমদু নুংঙাইগদবা মান্দে। অদুবু মীওইবনি, অৱা-নুংঙাই হায়বসি মখোয়গীসু শরুক য়াওরি। করিগী নুংঙাইবা পাল্লোইদগে, করিগী ফাগী তৌবদা মখোয় নোক্লিংলোইদগে। মী অয়াম্বদি হৌজিক-হৌজিক লান্থেংনরিবা, হিংবদা চঙলিবা পোৎচঙ ময়াম অসিনা মখোয়বু নোকহনবা ঙমদ্রি। ৱারগা অসুম লৈবসিনা পূন্সিবু তেনশিনহল্লি হায়নরিবসি মখোয়গী মফমদসু খঙহনবা চুম্মী। হোয়দহে,শিদৌবা ঙাক্তনি নুংঙাইথোক্কে হায়দুনা লৌ শুরীবী মতম অমগী ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিং, ইয়াম্বশিংদি ৱারক্লবা মতমদা খুল্লং ঈশৈ ফাংনদুনা নুংঙাইনা লৌবুক্তা শক্লখি। '..লমগী খুনুদি থারিকপী, চেক্লা নঙনা নতু নমান ইপোন পোন, কু কু খোংবদি নথংলেন মাবু নীংশিংলকপ্রনে নুংশিবী.. ?"

সাহিত্যদা রস নৈনবদা 'হংস রস' লৈ। ঙল্লিঙৈগী লীলা ড্রামাদা নোক্লবগী মফম থৌওইনা য়াওহল্লি। সরকসতা নোক্লবা মী অপীকপা, ক্রাউন হায়বা অমা অতম্লনা থোকহল্লি। কোনুং মনুংদা লৈম-নিংথৌ, ফম্নাইবশিংগী অৱা-পোথানবদা নোক্লবা ফাগী হৈবা মী কৌখৎতুনা ফাগী তৌহল্লকখি। মতম অমদা লৈরম্বা ফাগী হৈবশিং- চেংবা, য়োৎশবী,পাঙনবা অমদি অতৈ ফাগীরোই কয়াগী থোক লীলানা মীয়ামবু নোকহল্লকপগী ৱারী লৈরিবনি । মখোয়গী মতুংদা লাকখিবা ঐখোয়গী মীরোলনা থেংনখিবসি ইতুখোম্বী, নাথো,তখেল্লম্বম মনিকচান্দ,লুক্রাম নীল্লমনি, নিত্যাইচান্দ, গুরুময়ুম নবদ্বিপ, খুরাই মংলেম, তখেল্লম্বম চাউবা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী,ওইনাম বাবু, ওইনাম গুলামচু, বিধু, লাইশ্রম কুঞ্জরাজ অসিনচিংবনি। ইপোম লীলাদা নুপী শাবীশিং লৈখি-খোংমন অচৌবী, ইনাওচা, চিরাং রঞ্জিৎ, ঙোঙোচা, টি.কুল্লা অমদি ওইনাম বিজান্দো অসিনচিংবশিংনি। অথেঙবা মতম ফাওবদা মীয়াম্না তখেল্লম্বম চাউবা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী অমদি ওইনাম বাবু অহুমসিনা হেন্না শোন্নহৌখি । ঈপোমগী ফাগীরোই নত্তবা শুমাং লীলাদা ফাগী পুবা ঙল্লিঙৈদা য়াম্না লৈখি, কুপথনা পঞ্জদ্রে। খরা অথেঙবদা মীয়াম্না শোন্নখিবশিংদি লৈশাংথেম ধন্নবীর,সৌগ্রাকপম হেমন্তা অমদি অথোকপম সন্তোসনি। নোকফদে কাংবুনা পুথোক্লকপদা নহারোল নুপা নুপী য়াওনা নোক্লবা লীলা কয়ামুক শেমগৎতুনা পুথোক্লি। পূন্নমক মীয়াম্বু মিৎকুপ খরদা ওইরবসু নোকহন্নবনি। হৌজিক্তি ঐখোয় নোকফম লৈত্রে ।

ঙরাং নহান, মণিপুরদা কোভিদ লাইচৎ অসি মপান্দগী লাকপা নত্তবা, মীয়াম মরক্তা শন্দোকপা হৌরে হায়না লোকদাউন নৌনা থল্লক্তুনা শম্বল খানবা অনীরকশুবা তাঙ্কক্কী হৌরকপা মিপাইনরকপা মতমসিদা লৈখিদ্রবা ফাগী পুবা তখেল্লমবম চাউবা অমদি ময়াং ইম্ফাল তোম্বী অনীনা ঙাওনখিবা ফাগী ঈপোম মতেক অমা তাখি। কুইনা নোকলুদ্রবা ঐসে ঙাইহাক্তুমদি মতেক অমা নোকপা ফংখি। ময়ামসু নোকহঞ্জনিংদুনা নীংশিংজরি।

তখেল্লম্বম চাউবা - সরকারসি, ইতাও ঐনা সুম খনবদা থুগায়রসিরা হায়না খল্লিয়ে ।

ময়াং ইম্ফাল তোম্বী- নঙগুম্বনা সরকার থুগায়বা ঙমগদ্রা ইতাও?

তখেল্লম্বম চাউবা - হেরা, করিসু লৈতবা। হোটেলদা ময়াম্না থুগায়নরিসিদি। ঐনা থুগায়বদি করিগী ঙল্লোই। শাওনিংলকপা মতম অমদা শুপ্পায় পায়শিল্লগা, ৱাংনা থাঙ্গৎলগা কয়লাসতা শেৎ লাওনা থাথরদি পুমচাই চাইনি। মদুদা ঐনা য়াম্না নুংশা থীবা অমনা ইতাও..!

ময়াং ইম্ফাল তোম্বী - করিনো নঙনা নুংশা থীরিবদি ? নঙগুম্বনা সরকার থুগায়বা ঙম্ব্রা ?

তখেল্লম্বম চাউবা - সরকার থুগায়বগী মচেৎ মকায় ময়ামদো, মদুনা লৈরক কোনশাংদা লাক্লগা জিপ্তা তোংলগা লাও খোংলদৌরিবা। লৈরক কোন্সাংদা সরকার মচেৎ তাহৌবদুনা প্রজাদা য়ূগদ্রা ঐ ৱাখলসি য়াম্না খল্লিজাৎনি ইতাও...।

ময়াং ইম্ফাল তোম্বী- সরকার শেমখ্রে.. ?

তখেল্লম্বম চাউবা- হা ! সরকার শেমখ্রে হায়বা ? নহানখৈদি শেমদে ইতাও মখোয় নৎ ৱাৎপ্রা, স্ক্রু ৱাৎপনরা ? মখোয়না হন্দক শেমজিল্লে হায়রিসিবু মখোয়গী কম্পেনিদগী মরৈ মরাং, স্ক্রুগা খরা লৌরুরব্রা ? নহালখৈ সরকারসি অদুম তোংনদনা থল্লম্বনিনে ?

ময়াং ইম্ফাল তোম্বী - ইতাও নঙনা খল্লিদো ওন্নরে। সরকার শেমখ্রে হায়বদি মন্ত্রি চাওথোকএ হায়বনি.. । সরকার শেম্বা য়াখিদবদু মরম খঙব্রা ? চিত্রগুপ্তগী নুপীনা, নখোয় সরকার শেমনিংলবদি লাকউ হায়দনা পার্টি অনীমক কৌই হায়? পার্টি অনীমক লাকই । পার্টি অমনা ঐখোয় মীশিং ৩৮ লৈরে, অতোপ্পা পার্টি অমনা ৩৪ লৈরে হায়খি।

তখেল্লম্বম চাউবা - (ৱাম্থনা নোকই) হা!..হা!..সিট ৬০ লৈবদা ৭২ লাক্লবা..? মীশিং ১২ হেনগৎলক্লিবদুদি কদোমদগীনো?

ময়াং ইম্ফাল তোম্বী - অদুনি, সিট ৬০ খক লৈগদবদা মী ১২ হেলহনবা ঙম্বসি নখোয়মুক অঙ্কা হৈবা লৈতে ঙসিদগী মনাসিদি পি.আর. (PR) ওইনা পুখ্রো হায়দনা পীরকখি ...। (ময়াম ৱা নোকপগী মখোল।)

মতম অমা মণিপুরদা প্রসিডেন্ট রুল (PR) লৈখিবা মতমদা ফাগীরোইশিংসিনা শেমখিবা লৈঙাক্কী অশোয়বা উৎপা ফাগীনি। ঙসি, মখোয় লৈরম্লগদি মতমসিগা চান্নবা করেম্নবা, নোক্লিংহনবা ফাগী ফনা য়াম্না পুথোক্লমগনি। তখেল্লম্বম চাউবনদি পি.আর. (PR) অসি হিন্দিগী 'পিয়ার' নুংশিবা হায়বা অদু ওইনা নোক্লবা শেম্মী। ফাগী মখা য়াম্না লৈরি। মীৎতা ফাগীরোই অনী উরকই। ওইনাম বাবুগী নুংঙাইবা নোক্লিংবা কয়া লৈহৌরি। ঙসি ফাওবা হিংলম্বা থোক্লগদি ঐখোয় ফনা য়াম্না নোকপা ফংগনি। নোকমন্দবদগী ঐখোয় লোয়নমক, মীগী শেল পুরুবগী শেন্দোয় খক্তা নীংশিংনবদা ঙন্না অহল ওইনরে। ঐখোয়দি লায়রদনা অঙাংশিংসু নোকপা তাখিদ্রে। চহী নৌরিবা অঙাং ফাওবা ঙন্না কোক্তা অঙৌবা শম হৌনরবনি। পোক হৌবা উদনবা কনাগুম্বা-কনাগুম্বীদি চহীগা চান্নদবা মচু মচু শংনরি। মীপূম খূদিংমক উন্নবদা ইশাও শাওনবগুম তৌই। অমগা অমগা ৱা ঙাঙনবা তানদে, শেল তোন্নবদৌনা ইশুক শুক্লে। পাখং লৈশাবীশিংসু অদুমঙাই লম্বী লমজাউদা, লৈরক্তা নোক খেদুনা নুংশি ৱারী শাদুনা চৎখিদবা উদবা কুইরে। ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা মশাগী অশোয়বা,অরানবা মশানা উদবদগী মীয়াম্না ৱা হায়রগসু ৱা ঙাঙবদা শাওনা-শাওনা খুৎ-শা য়াম্না য়াওনা ৱা ঙাঙবা থেংনৈ। অঙাংশিংনা শৈরেং থীবদা খূৎশা য়াওবসি নুংশিখি । পাউমীশিংসু ৱা ঙাঙবদা লৈঙাকপশিংনা ঙাঙবগুম্না খূৎ-শা য়াম্না য়াওনরে। পাউমীশিং নোকত্রে মখোয়সু শাওরে। তখেল্লম্বম চাউবা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বী,ওইনাম বাবুগুম্বা লৈরম্লগদি নোকহন্দুনা খূৎ থিল্লগা অশোয়বা তাক্লমগদবনি। ওঝা জি.সি.তোংব্রাসু নোকৱা শান্নবা হৈখি। মশামক্লা 'লৈরম্মী নোকৱা শান্নবা অমা' হায়দুনা ৱারেং ইখি অপাববু নোক্লিংহনখি । মহাক্কী 'কল্পনা স্বয়ম্বর' নোকিং ৱারী মচা মীয়াম্বু অমুক হন্না পাহন্নিংঙি। ৱারী হৌবগী মকোক খজিক্তং নীংশিংজগে লাম্বা ফংব্রা য়েংবীয়ু। অসুম্না হৌই, 'লমজেলদা থোইখিবা কয়া শাওনদে, মূক্লাদা কাংজৈদা মীনা লাকচখিবসু খরা খাঙবা মঙম্নে। করিসু লৈতবা পাখং মচা অমনা নিংথৌ অমসুং অঙম্বশিংবু লৌশিং তান্নবদা মায়থীহনবসি করম্বা নিংথৌনা খাঙবা ঙমগদগে?" ('কল্পনা স্বয়ম্বর', ৱারীমচাগী অহৌবা শরুক্তা য়াওবনি।)

নিংথৌ - মসিদগী হেন্না করি ইকায়নিংঙাই লৈরি ?

মন্ত্রী - প্রজনা পংমনখিবদগী উপায় লৈতবনি আজ্ঞা ।

সেনাপতি - ননাই ঐবু হায়জৌ হায়রবদি ঐখোয়না ঈবুক ফত্তবগী কায়বনি।

নিংথৌ - করিগী পুক ফত্তবনো ? জুৱারী অমগী মচা, মহৈসু ইহৈ হৈতবা, মতীক মরলসু লৈতবা, মশকসু ফজদবদুদা সিংহাসনদা ইহুৎ শিলহৌগদবী থম্মোয়বু করম্না থাদোকউদগে ইয়াং য়াংনা ।

ৱাংঙুলোন লৈনা,আর্থ (ফিলোসোফি) য়াওনা নিংথৌ, মন্ত্রি, সেনাপতি ৱারী শানহনবগী মতাংনি । মখাদি ময়াম 'কল্পনা স্বয়ম্বর' ৱারীমচা পারগা খঙবীগনি। ঐখোয় হৌজিক নোক্লবা করি পাম্বে থিমিন্নসিগে। হৌজিক মতমদা পুথোক্লরিবা লীলা ড্রামাশিং অসিসু অনোকপা য়াওদ্রে। নোক্লিংবা পোকপা,পাবা য়াবা লাইরিক লৈত্রে। জিসি তোংব্রা,ওঝা এলাংবম দিনমনি ইরম্মী মখোয় লোইনা থুপখ্রে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা কাওবোই ফিল্ম 'সুগর কোল্ট' (Sugar Colt) কৌবা অমা য়েংখি। ফিল্ম অদুদা বার হোটেলগী মৈ হৌফম চেম্নিদা গঞ্জগুম্বগী মনা মৈ থাদুনা লফিং গ্যাস থোকহল্লগা ময়াম অঙাওবগুম নোকহনখিবা সিন অমা নীংশিংলকই। লফিং গ্যাস অশেংবগী লৈরি। ফোরমুলানা $N_2O$ ওই, Nitrous Oxide নি। নোকপা ফংদ্রবা ঐখোয় অমদি ঐখোয়গী লৈঙাকপশিং ঙসি লীলা ড্রামা য়েংলগসু নোক্লিংলরোই। মখোয় নোক্লিংদ্রে, নোকপা চঙদ্রে। মতম অমা লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈদা থোক লীলা কৌরগা কোনুংদা শান্নহনখিবা, মদুদা নুংঙাইনা নোকচদুনা লৈঙাকখিবা অদুগুম্বা আর্টপু নুংশিবা,ফাগী পাম্বা ইকায় খুম্নজনিংঙাই ওইবা ফম্নাইবা,অচৌ-অশাংসু ঙসিগী মীরোলসিদদি য়াওদ্রে। সুগর কোল্ট ফিল্মদা তৌখিবগুম পুল্লপ লৈঙাকপশিংনা এসেমব্লি ফল্লিঙৈদা $N_2O$ (laughing Gas) থাদোক্লগা পূন্না নোকমিন্নহল্লগদি হুইপ জারিনরিবশিংসে নুংশিনবা পুরক্কদ্রা খল্লি। লৈবাকসে মরা তপ্পা লৈবাক ওইগনি । চাংয়েং য়েংবা য়াই। লুরিবদি হৌদোং মঙক্তা শরিক থাংগদৌরিবসি কনানো হায়দুনি।

ঙসি লাইরিক হৈরবা নহারোল কয়ানা হীরম কয়াদা পি.ঐচ.দি তৌনরি। মতম অমা লৈরম্বা নোকৱা শান্নবশিংগী মরমদা থিজিন্দুনা পি.ঐচ.দি তৌবা মহৈরোই য়াওহন্নিংঙি। ওঝা থৌদাম রুহিনিকুমারনা খোঙ্গুল লীজদুনা 'নোকফদে' মিংথোন্দুনা মীবু নোকহন্নবা কন্নদি হোৎনজৈ হায়ববু নোকপীনবা মীসি ঈরৈ লৈতবগুম উরি। মীতৌ তম্বনা নম্না থেংনৈ, অশেংবা ফাগীরোই থোকলকপা উদ্রি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা মতম অমা শন্দোকপীখিবা ঈপোমদু হৌজিক অমুক হন্না তানিংলকই। মমল য়ামখি, কান্নবা নোকৱা য়াম্না য়াওখিবনি। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালসু নোক্লিংখিদ্রে। থাইনগী অহলশিংনা পুথোকপীখিবা থৌরমশিং অদুগুম্বা পুথোকপগী ৱাখলসু নোক্লিংদ্রবনিনা নীংশিংনদ্রে। রেকোর্দশিং অদুবু এ আই আর ইম্ফালগী আর্কাইবসতা লৈরমখিগদ্রা থাজদে। রিছার্স স্কোলারশিং য়াম্না থোক্লক্তুনা মায়কৈ অসোমদা অমুক্তং উপ্পা তাবা উনা লোংনা হাইদোক্তুনা পি.ঐচ.ডি তৌহন্নিংঙি। অনৌবা পারা হীরম অমা শোয়দনা ওইগনি। ঙসিগী নহারোল স্কোলারশিংনা নোকৱা শান্নবা মী নৎত্রগা মীবু নোকহনবা ঙম্বা লাইরীক পুথোকপা মথৌ তারে । ঐখোয় নোক্তবা কুইরে, হকচাং ফনা লৈনবা অমুক্তা নুংশিনা পূন্না নোকমিন্নসি।■

- *মাখোনমনি মোংসাবা*

## রাগ দরবারী-৫৮

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

ওজাশিংগী কাঙলুপ অদুনা উরম্মী- লৈতোং অদুদা ঙসি লঙ্গর মৈ থারদুনা করিগুম্বা পোৎশক খরা লৌই। মনাক নকশিন্না য়েংলুবদদি খঙবা ঙল্লে মদুদি মহাক্না মৈদা লৌরিবা অদু কোইরোক কোইবা অখন্নবা মখল অমগী তলনি। তশেংনমক মৈদা লৌরিবা তল অদু নাক-য়েৎতা কোয়চেন চেল্লিবা হুইশিং অদুগীদমক্তা নত্তে। অদুগুল্লবা তোঙানবা লঙ্গরগী ফীভম অদু উবদা ওজাশিং অদু ৱাখল খরা হেক ঈংথবগুম তৌই। মখোয়না লেপ্পদুনা ৱারী শাবা হৌই, মিনট অনী ৱারী শানরবা মতুংদা খঙবা ঙম্মী মদুদি ব্লোক্তা কোপি অমগীদমক লঙ্গরনা থাখিবা এপ্লিকেসন অদু হৌজিক চৎন-কাংলোন ঙাক্লা অরানবা অমা ফাওবা য়াওদনা অমদি শেল চঙদনা কোপি অদু ফংলগনি।

ওজাশিং অদুনা থাজরমদে।

লঙ্গরনা ঙসি ঙাঙলি-শক্লিবা ময়াম অদুদা অৱাবা, নুংঙাইবা, অচুম্বা, মায়থীবা মায়পাকপা অমদি নীংবা কায়বগী ৱাফম অমত্তা মমি তারমদে। মহাক্না হায়, "অচুম্বনি বাপু। ঙসিদি ঐনা পূন্নমক চুম্না তৌরগা লাক্লবনি। অদুবু এপ্লিকেসন অদুদা অমুক অরানবা অনীদি য়াওরমখি অদুবু মদুসু চুম্না শেমদোক্লল্লে।"

ওজা অমনা লক্লবগী মওংদা হায়,"মমাংদসু নঙগী এপ্লিকেসন অদুদা অরানবা য়াওখিবনি। অদুগুম্বা থবক অদুদা করিগী তোয়না-তোয়না অরানবা থোক্লিবনো? অঙকপনি নঙসু!"

"চিন থিরক্কনু বাপু" লঙ্গরনা হায়,"মসি ধর্ম্মগী লাননি। মচিন থীবগী থবক য়াওদে। নোট তৌরিবা পাম্বে লৈত্রবা মীওই অদুনা করি তৌবা ঙমগনি ! কোলোম পায়বগী কাঙলুপ হায়বসি অদুমহাইনা অদুম তৌবা ঙাক্তনি।"

"অদু ওইরবদি নোট অদু করম্বা মতম ফাওবদা ফংগনি?"

"হৌজিক ফংলবনি হায়না খল্লো বাপু - নুমীৎ ১৫-২০গী মনুংদা। মিসিল সদরদা চৎখ্রে। হৌজিক এপ্লিকেসন অদুসু সদরদা চৎখ্রগনি। নোট শেল্লরোই, অদুগা পোৎশক অদু মফম অদুদা হল্লক্তুনা লাক্লগনি; অদুগা রেজিষ্টারদা পানখ্রগনি।"

লঙ্গরনা কোপি অদু লৌনবগী প্লানিংগী মতাংদা ঙাঙলদুনা লৈরম্মী, মহাক্না খঙবা ঙল্লমদে মদুদি ওজাশিং অদু মহাক্কী ৱা অমসুং গান্ধী লৈতোংগী মনাক্তা পাকশন্না শন্দোক্লিবা মনম নমথিবা অদুদগী খাঙবা ঙমদ্রদুনা চৎখিবা অদু। মহাক্না মকোক থাঙ্গৎলকপা মতমদদি মহাক্না শুপ্নগী মনাক নক্লা মহাক্কা শকখঙনরবা হুই, ওক অমসুং অমোৎ-অকায়শিং অদু ঙাক্তা লৈরম্বা থেংনখি। মখোয়শিং অদুগী মতেংনা মহাক্না ওফিসকী মায়োক্তা ধর্ম্মগী লানফম থেংনগনি লেপ্লিবনি।

ষনাও অমা য়াম্না ফিংনা অশাওবগী মওংদা মচিনা থিল্লগে হায়বগী মতাগুম মখোঙ ফ্রিং-ফ্রিং কাওরদুনা থেক্লা-খোইনা চোংলদুনা লৈতোং অদুগী মনাক্তা চেল্লকই। মহাক ঙাইহাক চেল্লদুনা লৈরম্মী অদুগা মমাংদা লৈরিবা গেহু হৌবা মফম অদুদা য়ৌখ্রবা মতুংদা তুমিন্না লৈখ্রে। লঙ্গরনা মখুৎ লোন্নরদুনা হায়,"দারোগাজিনা য়াইফরে!"

ব্লোক অদুগী হেদকার্টর ওইরবসু শিবপালগঞ্জ য়াম্না চাওবা খুঙ্গং অমদি নত্তে মদুদি খুঙ্গং অদুবু সিটি অমগী থাক ওইবগী রাইট ফংলমদে। শিবপালগঞ্জদা ভিলেজ এসেমব্লিগী মফম অমা লৈরম্মী। খুঙ্গংগী মীওইশিংনা মফম অদুবু ভিলেজ এসেমব্লি পাঙথোক্লবগী মফম অমা অদুমক থম্বা পাল্লম্মী। মরমদি মখোয়না সিটিগী এরিয়া ওইবগী টেক্স পীদনবগীদমক। ভিলেজ এসেমব্লিগী হেদ রামাধিন ভিখমখেরবীগী মনাওনুপানা ওইরম্মী। মীওই অদুগী য়াম্না ফজবা ৱাফম অমা হায়রগদি চহী কয়া ভিলেজ এসেমব্লিগী হেদ ওইদুনা লাক্লবসু মহাক ঙসি ফাওবদা অঙাওবশিংগী লৈফমদা চৎপা ওইদ্রি অমদি জেলদা চঙবসু লৈত্রি। গঞ্জহোংদা মহাক্কী অপংবগী মতৌগীদমক মমিং চৎলম্মী। মরম অদুনা হেদ ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মীয়াম্না নুংশিবা মীশক অমা ওইরম্মী। অতোপ্পা মপান লমদগী লাকপা ওফিসরশিংগী মমাংদা প্লেটতা ফজনা লেতেংদুনা পুথোরকপা পোৎশক অমগুম মহাকপু খুঙ্গংগী মীওইশিংনা হেক-হেক উৎলম্মী। করি-করিগুম্বা মতমদা হায়বসু য়াওরম্মী মদুদি সাহব, সিটিদা খন্দুনা চৎখিবা মীওইশিংদি অদোম্না কয়ারক হন্না উরম্বা য়াই, হৌজিক অমুক্তং ওইরবসু মফম অসিগী পোৎসু য়েংখো।

ভিলেজ এসেমব্লিগী মীখল জন্যুৱারী থাদা তৌগদবনি অদুবু নবেম্বর থা হৌখ্রে। হৌজিক্কী ওইনা অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লিবদি হন্দক কনানা ভিলেজ এসেমব্লিগী হেদ ওইহনগনি হায়বসিনি। হৌখিবা মীখলশিংদা ৱেদ্যজিনা থৱায় য়াওখিবা অমত্তা লৈখিদে। মরমদি ভিলেজ এসেমব্লিগী থবকশিংবু মহাক্না য়াম্না মওং মরিল তাদবা থবক ওইনা লৌরম্মী। তশেংনমক থবক অদু মওং-মরিলসু তারমদে মরমদি ভিলেজ এসেমব্লিশিংদা লৈরিবা ওফিসরশিং য়াম্না অপিকপা মখলগী ৱাখল য়াওদবা ওফিসরশিংনি। মখোয়গী মনাক্তা পুলিসকী চৈসু লৈতে, মেজিষ্ট্রেট অমা ওইবগী মওংসু উদে অমসুং মখোয়দা নুমীৎ খুদিংগী ইশাগী থবক্কীদমক য়েংবিনবা হায়বা হায়বসি মীওই অদুগী মিংচৎ থিহন্নবগী মশক অমনি। হেদনা ভিলেজ এসেমব্লিগী লৈরিবা লম অমদি প্রোপর্টিশিংগীদমক কেস তৌবা মথৌ তারম্মী। সিটি অদুদা উকিলশিং অমসুং লায়েংবগী থবক তৌরিবশিংদা কনা অমত্তনা ইকায়খুম্নবা উৎলমদে মদুদি হুরানবা অমনা হুরানবা অমদা য়েংনরিবা মীৎয়েং অদুগা চপ মান্নে। কেস লেপ্পবা হায়বসি মালেমগী পূম্বগী মীওইশিংগা য়েক্লবা ওই হায়বদুনি। অরুবা মতমদনা পুলিসশিংনা শুপ্নগী নোকফেৎ তৌরমগনি অমসুং করি-করিগুম্বা মতমদা মহাক্না অচৌবা ময়েক্তা 'হেদজী' হায়না কৌরদুনা পুলিস ওফিসকী মমাংদা জিওগ্রাফি তাক্লবা হোৎনৈ।

অদুবু হন্দক মরক নুমীৎ খরনি অসিগী মনুংদা ৱেদ্যজীনা ভিলেজ এসেমব্লিগী মতাংদা থৱায় য়াওশিল্লকপগী মওং অমা তৌরকই। মরমদি মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরগী ভাষণ অমা মহাক্না পাউচে অমদা পাখিরম্মী। ভাষণ অদুদা হায়খি মদুদি খুঙ্গং চাওখৎপা হায়বসি স্কুল, দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং খুঙ্গংগী পঞ্চায়টকী মতেংনা ওইহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা ইখঙ খঙহৌদনা ৱেদ্যজিনা খল্লি মদুদি মহাক ঙসি ফাওবদা খুঙ্গংগী চাওখৎপা হায়বসি শুপ্নগী কোওপরেটিভ য়ুনিয়ন অমসুং কোলেজগী মতেংনা ওইগনি খল্লম্বনি। মহাক্কী থবকশিংদা খুঙ্গং অমদি পঞ্চায়টকী থবক্তি অমত্তা য়াওরমদে। 'আহ!' মহাক্না খল্লম্বা য়াই,'মরম অদুনা শিবপালগঞ্জ মপুং ফানা চাওখৎপা ঙমদবনি। অদুনিনে ঐনা মতম কয়াগী মমাঙদগী খল্লে হায়দুনিনে মতৌ করম্না চাওখৎলমদ্রিবনো?'

-মথং-মথং

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা